# লৈঙাকসিগী লৈঙাক কাঙলোন কমদৌবা ? - ২

**ৱাখল ইহুল**
**আচার্য্য সোরাম ইবোহল**

**ষ্টেটসিদা** কোংগ্রেসকী লৈঙাক লৈরকপা চহী ১৫ মপূং ফারক্কদৌরে। কুইনা লৈঙাকপগী লুচিংবা ওইরক্লবদি খদ্রক মকোকসু ওইরকই। ফত্তলৌশিং য়াম্না লৈরকই। পিবা ফম ওইরবোই ফাওবা খল্লকপদগী ইমুংগী/শাগৈগী ওইনা মচা-মশু ফাওবা লৈঙাকপা ওইহন্নিংলক্লবা মাল্লে হায়বসি হায়নরকই। মসি কোংগ্রেসকী লুচিংবা খরগী মচৎনা খলহল্লকপনি। খুদম, ময়োল লৈঙাক্তা কোংগ্রেসকী লুচিংবা ওইরম্বা জৱাহরলাল নেহরুদগীনা মচানুপী, মশুনুপা অমদি মশুনুপীদগী হেন্দোক্তুনা শুথাং ফাওবা ময়োল কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা-লুচিংবী ওইহন্নিংলি। শাগৈ অমৎতগী নৎত্রগা হৌরকফমগী ওইবা পোলিটিকেল রাইট ওইবগুম খনবসি মতায় লৈঙাক ওইরিবা ষ্টেটসিদনা অমুক ওক্রম শাগৈগী অখন্নবা ইমুং অমগী পিবা ফমনি খন্নিংলকপগী মমি চাওনা তারকপসি এম এল এ খরনা অমদি মীচম মীয়াম্না লোয়না খঙনৈ।

ষ্টেট সাইজগী মতুং ইন্না মন্ত্রি ১২ দগী হেনবা য়াদবগী ফীভম লৈরকপদগী পার্লিয়ামেন্টকী সেক্রেটরি হায়দনা ষ্টেট মিনিষ্টরশিংগী থাক্তসু হাপচিনবা, স্পিকর অমসুং দেপ্যুটি স্পিকরসু মখোয়গী ঙাক্তা ওইশিনবা। অমুকসু থেন্বা য়ানবা খদ্রক তৌরগা রুলিং অমদি ওপোজিসন মেম্বর খরবু হাওস কম্মিটিগী চ্যেরমেন অমদি মেম্বর ওইনা হাপচিনবসি ১১ শুবা বিধান সভাগী ইলেক্সন তৌরমদাই ফাওবদা হান্না হাপহৌদবা হাওস কম্মিটিগী মেম্বরশিং হন্দক্তা নুমিৎ নীনিগী ওইনা সেপ্টেম্বর ২ অমসুং ৫ দা ফমখিবা এসেমব্লি মীফমদা হাপখিবশিংসি অয়াববুদি লৈরমদনা হাপখিবা ওইরম্বা য়াই। শুম কুইনা তৌশিল্লক্লবদি খঙশিন উশিল্লকপা হায়বসি মশানা তারবনি। অদুম ওইনমক খজিক্তুং খন্থহঞ্জনিংবদি ষ্টেটসিগী ওইবা মশাগী শেল লাকফম লম্বী য়াম্না লৈতবনা য়ারিবমখৈ চাদিং হন্থহন্নবা কাঙলোন পুথোকহঞ্জনীংবদুনি।

লুরিবদি ষ্টেট লৈঙাকসিনা হৌজিক তৌরিবা লৈঙাকলোনদি তুংগী মিৎয়েং শান্না খনবা মানদবা ফীভমসিনি। খুদম ওইনা, ইন্দিয়াগী করম্বা ষ্টেটতা ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট রোদ কোর্পোরেসন লৈতবা য়াওবগে? বস অমনা তৌবা থবক ওটো রিক্সো কুনমুক্কা তৌই হায়না লৌরবদি হঙ্গৎ হন্দা ওটো রিক্সোশিংনা সরক্তা চেনবদা লম্বী কয়া চিলহল্লি হায়বসি লৈঙাক্লা খনবা ঙমদে। নোইজ পোলুসন্দা নৎতনা নুংশিৎ কয়াম শেংহন্দে। মথৌ তারকপগী মতুং ইন্না ওফিস কানবা মতমদা ষ্টেটকী বস মিনিট তরা নৎত্রগা তরামঙাদং কান্নহল্লগা কম্মন ওইবা য়াবা সিটি টর্মিনেল বস ষ্টেসন অমা থম্বীনবা খন্নবগী ৱাফম লৈতে। মীশিংসু য়াম্বা অচৌবা সিটিশিংদদি মিনিট মঙা মঙা খুদিংগী দবল দেক্কর (মথক মখা লোংবা বস), ট্রেলর বস (বস অনী ইঞ্জিন অমৎতনা চিংবা) ফাওবা সার্ভিস তৌনৈ। লম্বী চিনবা ফনবা মণিপুরগী ওফিস কাবদা লৈঙাক্লা চলাইবা বসশিংদা ওফিস কারক্কদবনি, লন্নাইগী গাড়ী অচৌবা নৎত্রগা মচা পুরকপা য়ারোই হায়গদবনি। মসিগী কান্নবনা ওফিস মতম চানা কাবা কুম্বা ঙমহনগনি। থেংনা ওফিস কাগনবা অদুগা ঙন্না ওফিস কুমগনবা নৎত্রগা ওফিস মতমদা থবক নাথৈরগা মফম অতৈদা চৎনীংবা/চৎপা থিংবা ঙমহনগনি। পেট্রোল পম্পশিংদা ক্যু শাংনা শাংনা লেপ্পা হন্থহনগনি। ছুটি মতমদা নৎত্রগা নুমিৎতা সরক্তা লন্নাইগী গাড়ী অচৌবা নৎত্রগা মচা চৎপনা লম্বী অদুক হাক্লা চিলহল্লোই। গাড়ী মশীং য়াম্না ময়ূম ময়ূমদা লৈজরবসু লম্বী সরক্তা মতম চাদনা থৌবা য়াহন্দ্রবদি লম্বী চিনবগী ৱাফম থোইনা লৈরোই। ট্রাফিক কন্ট্রোলদসু ৱাহল্লোই, ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টতসু রেভিন্যু কারক্লোইদৌবগী মরম লৈরোই। লম্বীগী ফীভম ফনা থম্বসু ঙমহনগনি। মসিসু স্মার্ট সিটি অমা ওইবগী মথৌ তাবা মরম অমনি। ইশম শম্না হায়রবদা, খন্নগদবা অফবা মরমদি লৈঙাক অমদি লৈঙাক্কী মেছিনরি ওইরিবশিংনা ৱাখল ইথা থাদদে।

লৈঙাকপশিংনা লৈঙাক্কী ওইবা থবকশিং তোঙান তোঙানবা লোইশঙশিংদা হাপ্পা মতমদা মচিং মশোন নায়বগুম তৌই। লোইশঙশিংগী মকোক থোংবশিংনা মথৌ তারকপদগী অহাংবা নৎত্রগা অহেনবা ফমশিং হাপ্পীনবা হায়বদা ফন্দ লৈতবদা য়ূম্ফম ওইরগা হাপ্তবসু অদুম ময়াওই। হাপ্তবগী হাপ্তবা হাপ্পনু হায়রবসু হন্দক ১০ শুবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মতম লোইরমদাই, ১১ শুবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মতম হৌরমদাইসিদনা নংহৌরোইদৌবা মতাগুম লৈঙাক্কী লোইশঙ অয়াম্বদা থবকশিং পংকৌদা কৌশিনবগী অখন্নবা পান্দম করিনো হায়বসি মীচম মীয়াম লোয়না ইরায় লায়না খঙনৈ।

ষ্টেট লৈঙাকসিনা থবক হাপ্পগী মতাংদা তৌরিবা কাঙলোন নৎত্রগা লৈঙাক্লোন কয়া চুম্বা/ফবা হায়বগী মতাংদা হান্নদগীসু থবক অদুম হাপ্তুনসু লাকইবা হোম দিপার্টমেন্টকী ৱাফম অমা অনীদা লৌখৎচগে। হৌজিক হৌজিক ৱাথোক মপূং ফানা লোইশিন্দ্রিবা কুমজা ২০১৩ দা মণিপুর পুলিস কন্সটেবল (মেল) ২০০০ লৌনবগীদমক টি ঐচ রাধেশ্যাম, আই পি এস ওইরম্ববু লৈঙাক্লা লানবা চুম্বা থিদনা রিক্রুইটমেন্ট হায়গদবদা দি পি সি হায়রগা কন্সটেবল লৌনবগী চাংয়েং মথাং অহুম থোক্লা তৌহনখিবসি ওগষ্ট ২০, ২০১৬ হায়বদি চহী ৩ থা ৭ রোম চঙনা ফল হায়দোক্তুনা লৈরক্লগা রাধেশ্যাম আই পি এস মশানা মশাগী অপাম্বা অনিংবা অমগী মখাদা ভোলুন্টরি রিটায়ার্ডমেন্ট লৌরগা ভোট লেপনিংবগী ইঙ্গিৎ উরকপদগী মনুংদা য়ানরবদি করিসু লৈতবা অশোয়বা খরদা মরু ওইবা য়ূম্ফম ওইহল্লগা, মনুংদা লৈনবা থরুম নৎত্রগা খদ্রক্কী লৌ ফোঙনদি হায়দোকপা য়াদবগী মহাক (রাধেশ্যাম) মশাবু থবক্তগী পোথাবা য়ারে হায়বা ওগষ্ট ২০, ২০১৬ তা মহাক মশানা তৌরম্বা কুমজা ২০১৩ গী পুলিস কন্সটেবল লৌবগী দি পি সি (লৈঙাক্কী মরোলদা) কক্লে হায়বসিনা হকথেংননা হীরম খুদিংমক্তা শোকহল্লিবদি কুমজা ২০১৩ দা ভিভা ভোসি ফাওবা থেংনজরুরবা নহা ওইরিবা কেন্দিদেটশিংনা অহানবদা, অনীশুবদনা, ইনাকখুনবা ইমুংশিংগীদি অহেনবা সম্পতি লেপশিনবগুম্বা ওইরম্লবসু লায়রবা ইমুংশিংগীদি (লায়রবা মশীংনসু হেনবনিনা) মচাশিং নৎত্রগা মশুশিং থবক মচা অমতংবু ফংজরবদি হায়দুনা মতমগী মণিপুরগী খুন্নাইগী ওইনা লুপা লাক্ষ ৩ দগীনা লুপা লাক্ষ ৫-৬ ফাওবা পীনবসি শেন্দোই হুনবা ঙম্মোইদবগী ফীভমদা হান্না লৈজরম্বা মাল চাং কায়রগা পীনখিবমক্তনিনা, লৈঙাক্লা মখোয় অচৌবা অঙম্বা মশেল মুক্করগা হেন্না ফীভম চাজদ্রবা মীচম মীয়াম কয়া, নহা ওইরিবশিংগী পূক্নিং ৱাখল, থৌনা শাথিনা শোকহনবিবসি লাইনা য়াগনি থাজদে। মতাংসিদা লৈঙাক্তগী খঙজনীংলিবা ৱাফমদি মমাঙদা থবক লৌখিবা খুদিংদা চাম্মগী মনুংদা য়াঙ্খৈ ফানবু চুম্মমগদ্রা? কেন্দিদেটশিংগী মরক্তগী অয়াম্বনা শেনফম হেন্না চাওনা পীবা ঙম্বমখৈ থবক খনখি হায়বসি করম্বা থবক লৌবদা ঙাঙনদবা য়াওখিবগে। মখোয় মশেল খঙনা চান্নবা নৎত্রগা ভোট লেপ্পগা শেঞ্জাও তানগে খল্লিবা মখোয়না ভোট ফংনবগীদমক তঙাই ফদনা শেনফম খরা তানা লৌবা নৎত্রগা ভোটকী মমল তিক্লরগা শেল লৌদবা নৎতনা লেম্না মীওই কয়াম থবক হাপ্পমগদগে। অদু ফাওবদা বোর্দ মেম্বর খরদা পীদবা য়াদবা শেনফম খরা পীনবনি হায়দুনা লৌবা নৎত্রগা চিন্না হায়রগা খঙহন্নরিবনি। অদুনদি পোলিটিকেল পার্টিশিং থাজনীংঙাই ওইদে হায়নরিবনি। মখোয়না উবদি অহানবদা শেল, অনীশুবদা শেলগী মহুৎ ভোট য়াম্না ফংনবা থবক চেলহনবা অসিতনি।

কুমজা ২০১৩ দা তৌখিবা মণিপুর পুলিস কন্সটেবল (মেল) ২০০০ লৌবগী ৱাথোক্কী মতাংদা ইকায়খুম্নরবা মণিপুর হায়কোর্টতা সেপ্টেম্বর ৭, ২০১৬ তা হিয়ারিং তৌগনি হায়না তৌরম্বদু চুড়াচান্দপুরদগী রিট অমা থারকপগা পূন্না ২০১৬ কী সেপ্টেম্বর ১৪ দা তৌগনি হায়বসিনা নাকল অমরোমদা থমখ্রগা খন্নবা য়াবা ৱাফম অনীদি চৎলিবা চহীসিগী মে-জুন অদুৱাইদা কন্সটেবল (মেল) ২০০০ লৌনবগী দি পি সি অমা তৌরমদাইদা নৎত্রগা লোইরবা মতুংদা কুমজা ২০১৩ গীদা পাঙথোকখিবা দি পি সিদু কক্লে করিগী হায়হৌদবনো? অরানবা য়াওরে হায়রবদি মতমদুদসু খঙলম্লগনি। অদুগা ওগষ্ট ২০, ২০১৬ তা টি ঐচ রাধেশ্যাম, আই পি এসবু থবক্তগী পোথাবগী মতম নবেম্বর ৬, ২০১৬ তগী য়ারগনি হায়না ওর্দর থোকপা নুমিৎসিমক্তদা টি ঐচ রাধেশ্যাম, আই পি এস মশানা তৌরম্বা দি পি সি কক্লে অদুগা কে জয়ন্ত সিংহ, আই পি এসনা চ্যেরমেন ওইরগা কুমজা ২০১৩ গী কন্সটেবল লৌবগী ককখিবা দি পি সিদু ওগষ্ট ৩০, ২০১৬ তগী পাঙথোকপা হৌগনি হায়বগী মতাংদা থাংমৈবন্দ কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম এল এ, খুমুকচম জয়কিষননা সেপ্টেম্বর ৩, ২০১৬ তা কন্সটেবল লৌবগী রিক্রুইটমেন্ট প্রোসেস কাঙলোন কায় হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম পাউচে খরদা মরিক চুম্না ফোঙনখিবসি কুমজা ২০১৩ গী মণিপুর পুলিস কন্সটেবল (মেল) গী ভিভা ভোসি ফাওবা মায়োক্লখ্রবা কেন্দিদেটশিংনা খঙজিল্লগা ওনরেবল হায় কোর্ট মণিপুরদা রিট পিটিসন অমা থাবদা মেরিট য়াম্না লৈগনি থাজৈ। শম্না হায়রবদা কুমজা ২০১৩ গীদা পাঙথোকখিবা দি পি সি ২০১৬ কী ওগষ্ট ২০ দা কক্লগা হৌজিক হৌজিক অনৌবা চ্যেরমেন কে জয়ন্ত সিংহ, আই পি এসবু হাপ্লগা চথহল্লিবা রিক্রুইটমেন্টসি নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা হৌবা তারবদি কুমজা ২০১৬ কী সেপ্টেম্বর ৪ দগী হৌফম থোকই। চৎলিবা চহীসিগী ওগষ্ট ২০ দগীনা হৌবা নুমিৎ ওগষ্ট ৩০ ফাওবদি নুমিৎ ১০ নি খক্তনিনা নুমিৎ ৫ নি ৱাৎপনা চৎনবা য়াবা দি পি সি হায়বদুদি ওইফম থোক্তে হায়বসিনি ওনরেবল এম এল এ খুমুকচম জয়কিষন্না থম্বীখিবসি। অচুম্বা ৱাফমসিমক মণিপুর ষ্টেটসিদা লৈরিবা বি জে পিগী লুচিংবশিংনা ষ্টেটকী গভর্ণরগী অচুম্বা মিৎয়েং চিংশিনবীরগা নীংবা কায়নরবা নহারোল লিশীং কয়াগী মপুঙ্গি অচুম্বা মায়োন্দা চৎহন্নিংই। অচৌবা, অঙম্বা মশেল মুক্লবদা মরাল লৈজদবা, অৱাবা কোঙ্গাই কয়া মায়োক্লরিবা লায়রবা ইমুং কয়াগী ফীভমশিং অৱাবদা অৱাবা হেন্না হাপকৎহঞ্জনীংদে। অঙম্বা মশেল ফোংনা এক্সন লৌখৎনবনা হেন্না চুমগনি হায়না থমজগে।

অরোইবদা থমজনীংবদি, ষ্টেটসিগী ১১ শুবা জেনরেল ইলেক্সন কুমজা ২০১৭ কী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবসি নংহৌররোইদবা মতাগুম ষ্টেটসিগী শেল থুমগী ফীভম, ফন্দ লাকফম্নচিংবা ইখন খন্থদবা মানবা মওংদা দিপার্টমেন্ট কয়াদা তোঙান তোঙানবা ফমশিংগী কেন্দিদেট (মশীং য়াম্মন্দুনা কলমসিদা ইবা চল্লরোইদবনা শম্না হেক্তা হায়জরবনি) লৌনবা থৌরাংলিবা ষ্টেটশিং নৎত্রগা ইন্টরভিয়ুশিং, তশেংনা নুমিৎ ১৫ গী মতুংদা তৌগদবসি তৌখ্রবা মতুংদা করিগুম্বা মরম অমদগী কেন্দিদেট খরনা রিট পিটিসন থারক্লবদি চৎনবা য়ারক্তবসু য়াই। হৌজিক হৌজিক লোইশঙ খরগী থাগী তোলোব ফাওবা পীবা ঙমদবগী ফীভম লৈরিবসিদা, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়িশিংগী পীবা হৌখ্রবা সেভেন্ট পে ষ্টেটসিদসু চৎননবা তকশিল্লকপদা থেংনগদবা খুদোংচাদবশিং নাথৈদুনা থল্লগা হাথু হাথুনা হিংলাক হিংজিন্দা কুমজা ২০১৭ দা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনগী ক্রোরগী শেনফমশিং খোমগৎহৌনবা অমদি পেন্দবদগী চোংথোনীংদুনা লৈরবা কোংগ্রেস এম এল এশিংবু মাগী মাগী শেল লৌবা য়াবশিং নৎত্রগা শেল খরা হন্থনা লৌরগা ভোট মশীং হেন্না ফংবা য়াগদবা ভোটরশিং ফাহন্নবা খদ্রক্কী থৌরাং তারক্লবদি অৱাবগী মশক্নি। হেন্না খন্থনিঙাই ওইরক্লিবদি অনৌবা লাকপা অওনবা লৈঙাক অমা কুপ্পা লমন শিংনিংবগী মওংদা য়েংশিল্লগা কুমজা ২০১৩ গী মণিপুর পুলিস কন্সটেবল (মেল) ২০০০ লৌনবগীদা ককখিবা/তৌখিবা লৌ অদুগুম্না অমুক তৌরক্লবদি হঞ্জিন হঞ্জিন লাক্ষকী শেঞ্জাও মাঙগদৌরিবসি মণিপুরগী মীচম মীয়ামশিংনি। শেল লৌরবসু শেল য়াম্না লৌদবা হৌজিক পাল্লিবা শেলদা ঙাওরবা লৈঙাকসি নৎতবা অনৌবা লৈঙাক অমগীদমক কুমজা ২০১৭, খূৎনা লাম্বা ফংলবা মতমসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন অসিগীদমক থৌরাং য়াথোক্লসি।

---

# লুচিংবা হায়বসিদি লুচিংবনি (মীচম অমগী অচুম্বা ৱাহৈ)

— মুতুম দেবলা —

**ফমুংদগী** হেন্দ্রবা, হৌগৎপা ঙমজদ্রবা অহলদগী হৌরগা মরোল থোক্লকপদা ঙাইরিবা পীক্লিবা অঙাং ফাওবদা হংবা মতমদা চপ মান্নবা পাউখুম ফংগদবা ৱাহংদি, 'মণিপুরগী বন্দ' হায়বা ৱাহং অসিনি।

খুল্লক্কনি চপ মান্নবা পাউখুম ওইনা, তৌখ্রেদকো বন্দসে! পামজদ্রে বন্দ! ঐসু হায়, পক্তেহে বন্দ কায়না! লৈবাক্কী ওইবা তঙাইফদবা অচৌবা ইশ্যুগীদা তৌবনা তৌবনি। লাল্লব্রনে, ঐখোয়গী থম্মোয়গী অচুম্বা ৱাহৈ অসিবু? বন্দ হায়বা ৱাহৈ অসি মীওই অমত্তনা পামদ্রে হায়বসি লোয়না খঙনরবা ৱাফমনি। মণিপুরগী অপূনবা মীশিং শরুক মরি থোকপগী শরুক অহুমদি বন্দ পামদ্রে হায়বসি তশেং তশেংলবনি। লেমহৌরিবা শরুক মচেৎ অদুগী মনুংদসু বন্দ পামদবা মীগী মশীংনা হেল্লিবনি। মরমদি ঐখোয়গী লমদম অতৈ ষ্টেটকুম্না চাওখৎপগী থাক য়ৌদ্রিবা লমদমনি। হ্বাইট জোব তৌবা মীশিংদগী নোংমগী চরা তাল্লগা চাবা মীগী মশীংনা য়াল্লিবনি।

কৈথেলদা নোংমগী মনা-মশিং য়োলহৌদবদা, নোংমগী খূৎশুমল ফংনবা থবক উহৌদবদা ইমুং কয়া চরা হেনবা য়াওনরিবনি। লৈনা লৈনা চরা হেনবদি করিসু নত্তে। করিমত্তা লৈতনা চরা হেনবগী অৱাবা চৈনা অদুদি পুক থন্না চারিবা অৱাৎপা লৈত্রবা কনাগী থম্মোয়দা য়ৌনা চৈনা ফাওরমগদগে? মসিগী মথক্তা খ্বাইদগী মরু ওইরিবনা ইমর্জেন্সি ওইবা অনা-অয়েক য়াওরকপা হায়বা অসিনি। শেম্থোক লৈজদবা লায়রবা ইমুং অমদা অনাবগী হীদাক লৈনবা শেল খরা তান্নবা হোৎনরিঙৈ মতম অদুদা মতম কক্তনা বন্দ তৌশিনবা, খঙহৌদনা বন্দনি হায়না লাউথোরকপা, করম্বা মীওইনা হরাউগদৌরিবনো? করম্না বন্দ অদু শৌগৎনীংদৌরিবনো? হায়বা তাবনি, করি থোকএনা তৌরি বন্দনো নুংশিখিদ্রেদা! সিবু ৱাকায় কৌগদ্রানে? মীচম অমগী অচুম্বা ৱাহৈসিবু।

জুন ১৮ গী থৌদোক ঙসিসু কনানসু কাউদ্রি। মতম অদুদা তৌখিবা বন্দ, মতম অদুদা থোকখিবা থৌদোক, নুমিৎ কয়ানিনো মীয়াম্না চাগনি থক্কনি খঙদনা থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা অৱাবা কয়া মায়োক্লখিবা। মতম অদুগী বন্দ ময়াম অদু মীচম মীয়াম্নসু পামদে, পেল্লে হায়নখিদে। মীয়াম পূম্নমক ৱাখল তানখি। চাদনা শিবসু শিবা, নারগা শিবসু শিবা, লৈবাক্কী ঙমখৈগীদমক শিবসু শিবা! মতমদুগী বন্দ অদুদদি শিবগী ৱাহন্থোক চপ মান্নখিবনা মীয়াম্না পাম্নখিবনি।

ঐনা নৌহৌননা পঞ্জদ্রবসু হৌজিক হৌজিক কৌনরিবা বন্দ অসিবু ৱাহন্থোক য়াওরিব্রা? ঐ থবক পীয়ু হায়বগীসু বন্দ! ঐ পুলিসনা ফারে হায়বগীসু বন্দ! ঐঙোন্দা মমিৎ পৈনা য়েংলম্লে হায়বগীসু বন্দ! য়ামখ্রে মখল মখল...।

বন্দ ময়াম অসিগী মনুংদা ঐনা য়াম্না ঙকপা অমনা, অচঙবা পোলিটিকেল পার্টি অমনা বন্দ কৌরকপা অসিনি। হায়জনীংবদি বন্দ হায়বসিদি তোল্লবা, পৱার পায়জদ্রবা মীয়াম্না খোঙজং অমগী পান্দম ফংনবা লৈঙাকলোইশিংদা পেন্দনা ৱাকৎচবা খোঙজংনি হায়না লৌজৈ। হন্দক পোলিটিকেল পার্টিগী মীওই অনী পুলিসনা ফাখ্রে হায়দুনা কৌখিবা বন্দ অদুবু মরম চব্রা? মদুসু মীশিং লাক্ষ কুন্নিপান মখায়মুক্কী মনুংদা মীওই লিশীং অমা অনীগী ইন্টরেষ্টতা। ঐনা হায়জরিবদি কেন্দিদেটশিং অদুদা হায়জবা নৎচদে। চঙ-চঙ লাউরিবা পোলিটিকেল পার্টি অদুদা অচুম্বা ৱাফম খরা থমজনীংবা অদুনি। হৌজিক হৌজিক লৈঙাক পায়বা পায়দবা হায়দুনা ৱাফম অমনি। মীয়ামগী, লৈবাক্কী করিগুম্বা অৱাৎপা খরদি শোয়দনা মেনখৎকনি অমদি মীয়াম্না পামদবা ফত্তবা চৎনবী শেঞ্জা থুমজা, হান্না লৈরম্বা মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা, ওইহন্নিংদবা থৌরমশিং শেমদোক্কনি, হোংদোক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা ৱাখলশিংগা লোয়ননা লমদম অসিদা মউ লিংনা, মশা মরেং ফন্না শন্দোরক্লিবা নেসনল পার্টি অমনা কৌখিবা পুং ১২ গী মণিপুর বন্দ অদুবু করিগীনো? পার্টিগী মী অনী ফাখিবগীরা? নৎত্রগা মীওই লিশীং অমা অনী থবক ফংদবগীরা? লেমহৌরিবা মীচম মীয়াম, থবক ফংদবা লাইরিক হৈবা মীওই লাক্ষ কয়া অসিদি পার্টি অসিবু পামদবা জাৎলা? প্রোব্লেম খরা অসিখক্কিরা পার্টি অসিনা লেপ্লিবা? হংনীংই ৱাহং কয়া।

মণিপুরগী মীয়াম্না খ্বাইদগী পামদবা 'বন্দ' হায়বা অসিগী মতেং নেসনল পার্টি অমনা লৌবা হায়বসি ফজবা খিত্তং ৱাৎপ্রা হায়না ফাওজে। ঐগী মীনিবু হায়রবদি থিরবসু ফজে হায়বা, অরানবা তৌরবসু চুম্মী হায়বা ৱাখল্লোন অসিমদি শুকপাম পামজদে।

ইকায়খুম্নজরিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পুখৎলক্লিবা ফজবা পান্দম, ৱাখল্লোন কয়া অসিনা মীচম অমা ওইনা মহাকপু ঐখোয় পূম্নমক্কী মতিক চারবা লুচিংবা অমরা হায়না হংনিংহল্লিবা মতমনি। য়াম্না নুংঙাইবা, লাংতক্লবা অমগা লোয়ননা মহাক অসিবু ইন্দিয়াগী শক্তম অমরা? হায়না থম্মোয়নুংদা ফাওরকই।

সেন্টরদদি পার্টি খুদিংমক মশক ফজে, লোয়না ফৈ। ঐখোয়গী লমদম অসি হেক য়ৌরকপদা থোকঅবা অমা তৌই। মীয়াম্না হায়নবা ৱাহৈনি। মীয়ামদা ফাওরিবা ৱাখল অসি কোকহনবা ঙম্বা মহাক অদু ওইরোইদ্রনে মীয়ামগী লুচিংবা?

লুচিংবা হায়বসিদি লুচিংবনি। লুচিংবদি মীয়াম্না শেমগদবা নত্তে, মশা মতোমতা ময়েক লারবা গুন খরগা লোয়ননা চোঙথোরক্কদবনি। মীয়ামদি মতেং পাঙনবনি, খোঙলোইনি। খুদম ওইনা, লময়ানবা ইরাবত, গান্ধীজী, সুভাসচন্দ্র বোস, মীয়াম্না শেম্বা নত্তে। মখোয়গী ৱাখল্লোন, থৌনা অদুদা মীয়াম্না ইনজবতনি। লুচিংবদি মীচম ঐখোয়গা মান্নদবা গুন খরা চেনফম থোকই। দিল্লিগী লালকিলাদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খিবা, 'ঐদি প্রাইম মিনিষ্টর নত্তে, মীনাই মকোক ওইজবনি। লৈবাক্কীদমক থৱায় থাদোকপগী তাঞ্জা ফংদ্রবসু, লৈবাক্কীদমক হিংবদি য়াইনা'। ৱাহৈশিং অসি তাবদা করিনো অমা ফাওহল্লি, নীংশিংহল্লি।

লুচিংবা হায়বসিদি হৌখ্রবা ৱারী অমা নীংশিংলকই, মতমদু ঐনা গ্রেজুয়েট তল্লিঙৈদনি। ষ্টদি টুর ওইনা দিল্লিদা চৎখি। নুমিৎ নীনি হুমনি ত্রেন্দা লাকপগী চোকথবদু দিল্লি য়ৌরগা ইরুজথোক্লবদি নুংঙাইনিদা খন্না অয়ূক অঙনবদা দিল্লিগী মণিপুর ভাবন্দা থুংলখি। ঐখোয়বু লমজিংবীরিবা ওজা অনী অহাংবা কা হংনবা মেনেজর উনবা কাখৎখি। মতম অদুদা লৈখিদ্রবা পাবুং ইরেংবম তোম্পোক মহাক্লা লোয়নবা পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবা খরা লৈরম্মী। পাবুংদু টেলিফোন তৌবগী ওইরমাল্লে মখাদা কুমথরকই। পোলিটিকেল লুচিংবা অমগা লোয়ননা। ঐখোয় ময়াম চোকথনা ফল্লম্বদু উবদা নুংশিনা হংলকখি পাবুংনা, নখোয় কনা কনানো? করিগী লাকপনো? ঐখোয়না খুন্মী, ইম্ফাল কোলেজগী গ্রেজুয়েট ষ্টুদেন্টশিংনি। ষ্টদি টুর লাকচবনি। মমিংদি পঞ্জররোই, পাবুংগী ফেলো অদুনা হায়রকই, 'কা অহাংবা অমত্তা লৈত্রেনে, ঙল্লিঙৈদা হোটেল অমা থিহৌরুবনা ফগানিদা।

ঐখোয় ময়ামগী ফনবা হায়বিরিবনি। অদুবু চোকথবনা মচি লেংনিংদ্রবা ঐখোয় কনানসু ৱাহৈদু পামখিদে। পাবুংনা হায়রকই, 'ঙাইখো, ঙাইখো, কা লৈনি, ঐ শিনগে। নখোয়গী কা ফংদ্রিঙৈদা নুপীমচা নখোয়না ঐগী কাদা ইরুমাইথজরো। নুপামচা নখোয়না ময়ামগী ইরুজফমদা নশা নউ শেংদোকউরো। খুদক অদুদা ঐঙোন্দা ফাওখি, লুচিংবা অনীগী খেন্নবা ৱাখল্লোন অদু! হায়নরিঙৈদা ওজা অনীসু কুমথরক্লে। পাবুংগী ৱাহৈদু তাবদা ঐখোয় লোয়না নুংঙাইরে। পাবুংনা হায়রকই, মিনিট মঙাগী মতুংদা লাকউ, ঐ হান্না ইরুজরুখিগে।

অদুদগী ঐখোয় নুপী মখৈ পাবুংগী কাদা চঙলে। পাবুংনা হায়রকই, পুং অহুম ফাওবা নখোয়না কুশি তৌহৌরো। পাবুং থোকখ্রে। ভাবনগী টেরেস (terrace) অমদা মখোয় মশেল ৱারী শানবগী ফমখ্রে। ইশাগী কাগুম, ইশাগী য়ূমগুম পুং খরদু ঐখোয় কয়া নুংঙাইনা লৈখিবা। পাবুংগী লুচিংবা (মপি-মপা ওইবা) গী গুন অদু ঐখোয়দা উৎলমদ্রবদি ভি আই পিগী কা করম তৌবগে হায়বা খঙলমদবসু য়াই।

উচিন নাচিন্না কাদি ফংদ্রে। অদুবু অনৌবা লোবি অমদা ঐখোয়গী লৈফম পীবিরে। জর্নি অমা চৎপদা পাবুং তোম্পোকপু কাউবা শুকঙম ঙমদে। ঐখোয়দা মীনুংশি উৎপীখিবা অদুখক্কী নত্তনা লুচিংবা অমগী গুন অদুবু ইকায়খুম্নজবনি। লুচিংবা হায়বা অসিদি মহাক্কা ফিদা মান্নবা অদুখক ইকায় খুম্নগদবা নত্তে, ঐগী তুংদা, ইখাদা কনা কনা লৈরিবগে হায়না হন্না য়েংবীবা অদুনি লুচিংবগী গুনদি।

মতমদু ঐ বরোদাগী এম এস য়ুনিভর্সিটিদা মাষ্টর তল্লি। ঐনা অয়ূক্তা কেন্টন্দা চা থক্লা থক্লা পাউচে পারুবদা থেংনরকখি, পাবুংনা তোংবা এরোপ্লেন ক্রাশ তৌবগী পাউদু। শিবা হায়বসিদি কনানসু তম্বা ঙম্বা নত্তে। ইচম চম্বা ষ্টুদেন্ট খরদা পাবুংনা উৎপীখিবা লুচিংবা (মপি-মপা) ওইবগী তৌফম থোকপা, হায়ফম থোকপা খরা তৌবিখিবা অদুনা ঙসি ফাওবা পাবুংবু হেক হেক নীংশিংহল্লিবনি। মতম অদুদা পাবুংনা উৎপীখিবা মীনুংশি অদু পার্টি অমগী লুচিংবনি হায়না উৎলকখিবা নত্তে। মণিপুর মীয়ামগী লুচিংবা অমগী তৌফম থোকপা অদু তৌবিখিবখক্তনি।

অরোইবদা থমজনীংবদি, বন্দ হায়বসি নুংঙাইবা, অরায়বা খূৎলাই ওইনা শীজিন্নগুমসি। লৈবাক্কী ওইবা, মীয়ামগী ওইনা থৱায় থারবসু য়ারে হায়বা লুরবা তাঙ্কক অদুতদা 'বন্দ' তৌসি। মদুদা মীয়াম্না করিসু শাউরোই। মরম চারবদি নুপী-নুপা খায়দনা বন্দ শৌগৎকনি হায়না থাজৈ।

মণিপুরগী মীচম মীয়াম লায়রবনা মশীং হেল্লি। নোংমগী শুরগা চাবনা মশীংসু হেল্লি হায়বসিখক ৱাখল তামিন্নসি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ফজরবা আইদিওলোজি মণিপুর য়ৌরকপদা মশক থিহনগুমসি। বন্দ কৌবদা মীয়াম্না পাম্বা, মীয়াম্না শৌগৎকদবা বন্দ ওইনা কৌসি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২২

১। অইবী তখেল্লম্বম থোইবী করি লাইরিক্তা ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ ফংখিবগে?
২। "ভূত অমা লৈরমই ঐগী ইনাক্তা / অয়ূক নুংথিল নুমিদাং / ঐগী ইতুং কোয়-ইন ইন্নৈ" কবি কনানা হায়বনো?
৩। 'লৈকংলাগা শকখঙনবা' লমকোয়ৱারী অসিগী অইবীদু কনানো?
৪। 'হৈ খুনবা' মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো?



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৬, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

## মরোল থোকপা লাই

